# য়ু এসনা ইরানগী রেভল্যুসনরি গার্দস টেরর ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): ইরানগী ইস্লামিক রেভল্যুসনরি গার্দ কোর (আই আর জি সী) য়ু এসনা য়াম্না থুনা মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা ফোরেন টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোক্লগনি হায়না য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসনা ইরানবু তাথিবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ইরানগী রেভল্যুসনরি গার্দসপু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না ওফিসল অদুনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সী এন এননা হায়রি। আই আর জি সী অসি কুমজা ১৯৭৯ কী এপ্রিলদা ইরানিয়ন রেভল্যুসনরিগী মতুংদা হৌদোকখিবনি। পনবা য়াই রেভল্যুসন অদুনা লৈবাক অদুগী মতমদুগী নিংথৌ মোহমদ রেজা শাহ পাহলাভি চেন্নখিবনি।

ইরানগী আর্মদ ফোর্সেসকী মশা অমা ওইরিবা আই আর জি সী অসি হান্না সাউদি অরাবিয়া অমসুং বাহরেননা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাওথোকখ্রবনি। ইরানগী রেভল্যুসনরি গার্দশিংবু ফোরেন টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা লাওথোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা য়ু এসকী ওফিসলশিংনা থা কয়ামুক দিবেট তৌনরখিবনি।

য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা খোঙথাং অসি খন্নরি হায়না কুমজা ২০১৮গী জুলাইদা সী এন এননা ফোঙদোকখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট পীনবা হায়বদা হ্বাইট হাউসকী নেসনল সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী স্পোক্সপর্সন অমনা য়াখিদে। ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু ৱারেপ অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে হায়রি।

য়ু এস দিফেন্স ওফিসলশিংনা সী এন এনদা ফোঙদোকখিবদা, সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা লৈরিবা ট্রুপশিংনা আই আর জি সীগী মেম্বরশিংদা য়াম্না নকশিন্ননা ওপরেট তৌবা তোয়না য়াওখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না খঙবা সোর্স অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহীদা নেসনল ইন্টেলিজেন্সকী দিরেক্টর দান কোটসনা এদমিনিষ্ট্রসনদা আই আর জি সীবু টেরর ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না লাউথোকপনা য়ু এস ফোর্সশিংদা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নহল্লকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱা হায়খি।


সিরিয়াগী লানগী মিংদা আই আর জি সীনা সিরিয়াদা তুং কোইনগী ওইনা মিলিটরি ফোর্সশিং থমজিনবা অমসুং ইজরেলগুম্বা সিরিয়াগা য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা কিহন্নবা অনৌবা ষ্ট্রেটেজিক বেজ অমা লিংখৎনবা হোৎনরি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ইরানগা মরী লৈনবা স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ ব্রিয়ন হুকনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ইরাই নুমিৎতা খোঙথাং অসি লাকপনি হায়রি।

দিক্লাসিফাইদ তৌরবা রিপোর্টশিংদা য়ু এস মিলিটরিদা য়ুম্ফম ওইরগা ইরাননা ইরাক্তা য়ামদ্রবদা অমেরিকান সার্ভিস মেম্বর ৬০৮ শিহনখ্রে।

অমরোমদা করিগুম্বা ৱাশিংটননা আই আর জি সীবু য়ু এসকী টেরর লিষ্টতা হাপচিনবা তারবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম ওইনা ইরাননসু য়ু এস আর্মদ ফোর্সেসপু ইস্লামিষ্ট ষ্টেটকা মান্ননা ইরানগী টেরর লিষ্টতা হাপচিনগনি হায়না ইরানিয়ন লোমেকর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# থা অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা অনৌবা এটেক অমা চথরক্কনি হায়বগী থাজবা য়াবা পাউ ফংলে : পাকিস্তান

কারাচি, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): ইন্দিয়ানা অমুক হন্না থা অসিগী মনুংদা অনৌবা এটেক্ট অমা চথরক্কনি হায়বগী থাজবা য়াবা ইন্টলিজেন্সকী পাউ পাকিস্তান্না ফংলে হায়না পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্টর শাহ মহমূদ কোরসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



সাউথ এসিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা য়ুমল্লোনবা লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা লৈখিবা কন্না মুক্নবগী ফিভম শীংথানিঙাই ওইনা ঈংথরক্লে হায়না থাজনরিঙৈ তাল্লক্তা পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়ানা এটেক্ট অদু এপ্রিল ১৬ অমসুং ২০ গী মরক্তা পাঙথোরকপা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী য়ু এন সিক্যুরিটি কাওন্সিলগী পার্মিনেন্ট মেম্বর মঙাদসু খঙহনখ্রে হায়না কুরেসিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৪ দা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা মিলিটেন্টশিংনা ইন্দিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা কাশ্মিরদা চথখিবা সুইসাইদ কার বোম এটেক্ট অমদা য়ামদ্রবা ইন্দিয়ন পেরামিলিটরি পুলিস ৪০ শিখিবনি অমসুং মদুগী মতুং ফেব্রুৱারি ২৭ তা ইন্দিয়ানা পাকিস্তান্না কন্ট্রোল তৌবা কাশ্মিরগী শরুক্তা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী ট্রেনিং বেজনি হায়বা অমদা এয়রষ্ট্রাইক চথবদগী নাকল অনীগী মরক্তা থাঙ্গৈশেংবা লান অমা থোক্লকপা য়াবগী অরুবা ফিভম অমা লাকখিবনি। নুমিত্তুগী মথংগী নুমিত্তা পাকিস্তান্না ইন্দিয়ন ফাইটর জেট অমা কাপথখি অমসুং প্লেনদুগী পাইলোট ফাখি। মদুগী মতুং নুমিৎ শাংনা কান্নদনা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী ফাইটর পাইলোট অদু থাদোরকখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা লৈরম্বা মুক্নবা অদু হন্থরকখিবনি।

ইন্দিয়ানা পাকিস্তানদা অনৌবা এটেক্ট অমা চথনবা থৌরাং তৌরে হায়বগী থাজনিংঙাই ওইবা ইন্টলিজেন্স পাউ ঐখোয়দা লৈরে। ঐখোয়দা ফংলিবা পাউ অসিগী মতুং ইন্না এটেক্ট অদু এপ্রিল ১৬ অমসুং ২০ গী মরক্তা পাঙথোরকপা য়াই হায়না পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্টর কুরেসিনা মহাক্কী হোম টাওন মুল্টানদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হৌজিক পাকিস্তানদা লৈরিবা ইভিদেন্স নৎত্রগা ইন্দিয়ানা অনৌবা এটেক্ট অমা চথরক্কনি হায়রিবদুগী চপ চাবা মতম পীবা ঙম্লিবনো হায়বগী মতাংদা শন্দোক্না পনখিদ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননসু পাউ অসি লৈবাক মীয়ামদা ফোঙদোকপা য়ারে হায়বগী ৱাফম থম্লকখি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা ই-মেলগী খুত্থাংদা কমেন্ট পীনবা হায়জখিবদা ইন্দিয়াগী ফোরেন ওফিসনা খুদক্কী ওইনা রেস্পোন্দ তৌরকখিদে।

ফোরেন মিনিষ্টর খাননা ইন্দিয়াগী রুল্লিং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)বু ফেব্রুৱারি থাদা কন্না মুক্নরিঙৈ মনুংদুদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী এফ-১৬ অমা কাপথখি হায়বা ক্লেমকী মতাংদা লানগী খোল্লাও অমা শাগৎনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী এয়রক্রাফ অমা কাপথখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন এয়রফোসনা পাকিস্তানগী এফ-১৬ অমনা কাপ্লকখিবনি হায়বা মিসাইল অমগী মচেৎ মকায়শিং উৎখিবনি। অমরোমদা, পাকিস্তানগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা জাইস-ঈ-মহমদ মিলিটেন্ট গ্রুপকী কেম্প অমদা মায় পাক্না এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে হায়রিবা ন্যু দিল্লিগী ক্লেম অসি সেটেলাইট ইমেজশিংনা অমাঙ-অতা থোকখিবগী শক্তম অমত্তা উৎখিদবগী মালেমগী মমাঙদা চিংনবা পোকহনখ্রবনি।

# ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন লিদর গুৱাইদোনা মালেমগী লুচিংবশিং কৌদুনা লৈবাক অদুগী ফিভম খঙহনগদৌরি



কারাকাস, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): ভেনিজ্যুএলাদা মালেমগী লুচিংবশিং পুলহন্দুনা থাও মরাং কায়না ফংবা লৈবাক অদুদা হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱাবা কয়া খঙহল্লগনি হায়না মশানা লৈবাক অদুগী ইন্টরিম প্রসিদেন্টনি হায়না লাওথোকচবা ওপোজিসন লুচিংবা জুৱান গুৱাইদোনা কেপিটেল কারাকাসতা থাংজ নুমিত্তা লাওথোকখ্রে।

ভেনিজ্যুএলাদা হৌজিক লৈরিবা হ্যুমেনিটরিয়ন ইমর্জেন্সি, ফিভম অসিগী সোল্যুসন অমসুং লৈবাক অসিদা অহোংবা পুরক্নবগী ৱাফম কয়া খন্ননবা মালেমগী লুচিংবা কয়া লৈবাক অসিদা চাওনা পুলহল্লগনি হায়না গুৱাইদোনা কারাকাসতা মহাকপু শৌগৎপা মীওই লিশিং কয়াদা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন্না কন্ট্রোল তৌবা নেসনল এসেমব্লিগী স্পীকরনা ভেনিজ্যুএলাদা মালেমগী লুচিংবা কয়া পুনগনি হায়রিবদুগী চপ চাবা নুমিৎকী অকুপ্পা পনখিদ্রবসু লোয়ননা মদুদা য়াওগদৌরিবশিং অদুগী মমিংশিংসু পনখিদ্রবসু মহাক্কী প্রেস টিমনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা পাউ খরা লৈরগনি হায়খি।

ওপোজিসন লুচিংবা গুৱাইদোনা কেপিটেল কারাকাসতা ৱা ঙাঙখিবা রেল্লি অদু নুমিৎ মঙানি শুখিবগা লোয়ননা লৈবাক শিনবা থুংনা পৱার ব্লেক আউট পরিং অমা থোক্লকখিবগী মতাংদা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী লেপটিস লৈঙাকপু অকনবা মওংদা চৈ থাংলদুনা ভেনিজ্যুএলা শিন থুংনা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরকখিবা দেমোনষ্ট্রেসন ৩৫০ হেনবগী মনুংদা অমনি হায়রি।

য়ু এস অমসুং অতৈ লৈবাক ৫০ হেনবনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা শকখঙখ্রবা গুৱাইদোনা পব্লিক ইমপ্লোয়ীশিংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নেসনল এসেমব্লিদা লাক্তুনা 'ওপরেসন ফ্রিদম'গী মথংগী ফেজ হৌরনবা তকশিনখি। ফ্রিদম হায়বসি গুৱাইদোনা নিকোলাস মাদুরোবু মফমদগী চিংথুনবা হোৎনরিবা কয়াবু খঙনৈ।

কুমজা ২০১৮ গী মেদা মাদুরোনা মীখলদা অমুক হন্না মায় পাকখিববু ওপোজিসন অমসুং মসিগী মপানগী মীচঙশিংনা লোনা য়াদে হায়রিবনি। নেসনল এসেমব্লিগী স্পীকরনা হায়খি মদুদি লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা ষ্টেট জুলিয়াদা পাঙথোকপা ওপোজিসন প্রোটেষ্ট অমা পুলিসনা টিয়র গ্যাস শীজিন্নদুনা থুকায়খিবগা লোয়ননা লোমেকর অনীবুসু মতম খরা ফাজিন্দুনা থম্লুরে।

চৈরকসিদা ওপোজিসন লিদর গুৱাইদোনা ইষ্টর্ন কারাকাসতা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলিঙৈদা লৈঙাক্কী সপোর্টর লিশিং কয়ানা কেপিটেলগী অতোপ্পা নাকল অমদা লৈরিবা প্রসিদেন্সিএল পেলেসতা চত্তুনা মাদুরোগী স্পীচ তাখ্রে হায়রি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোনা মহাক্কী স্পীচ অদুদা মহাক্কী লৈঙাক্না মমাঙদা ক্লেম তৌখিবা ৱাফমশিংগী মথক্তা অনৌবা ক্লেম ওইনা ভেনিজ্যিএলাদা হন্দক থা খরা অসিদা পাক্তক্লনা পাৱর সপ্লাই ফেল ওইবগী ফিভমশিং লৈখিবদু অমেরিকানা লৌতুন্দুনা চথখিবনি হায়রি।

পনবা য়াই হৌখিবা মার্চ ৭ তা থোকখিবা পাৱর ফেল ওইবগী অচৌবা থৌদোক অমনা লৈবাক পুম্বা নুমিৎ মঙানি চুপ্পা মৈ মমহনখিবনি। লৈঙাক্না কন্না হোৎনদুনা ফিভম অদু কন্ট্রোল তৌদুনা অমুক হন্না মৈ পীবা ঙখিবনি। মাদুরোবু মখা তানা শৌগৎলিবা মালেমগী লৈবাক কয়ামুক্কী মনুংদা চাইনা, রসিয়া অমসুং ইন্দিয়াসু য়াওরিবনি।

# মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্লবদি ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেট্টুলমেন্টশিং লৌশিনগনি : ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর

টেলঅবিব, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): এপ্রিল ৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লেজিসলেটিভ মীখলদা মহাক্না অমুক হন্না মায় পাক্লবদি ইজরেলগী সোভরেন্টি ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদসু য়ৌহনগনি হায়না ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেজামিন নেটনয়াহুনা হায়খ্রে।



ইজরেলগী পোলিসিদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ অসিনা পেলিষ্টিনিয়নশিং অমসুং অরাব লৈবাকশিংবু খোইরাং খোশাওহল্লকপা য়াই হায়না থাজনরি।

বেজামিন নেটনয়াহুবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মঙাশুবা টর্ম অমগসু পায়হনগদ্রা হায়বগী মতাংদা ইজরেলিশিংনা ভোট থাদনগদবা নুমিৎ হুম্নিদা ঙাইশিল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্না থাংজ নুমিত্তা হায়খি মদুদি, ইজরেলনা কুমজা ১৯৬৭ কী লান্দা লৌশিনখিবা লমশিং পেলিষ্টিনিয়নশিংগা চথনখিবা নিগোসিএটেদ সেট্টনমেন অমগী শরুক ওইগদবনি হায়বা মতম শাংলক্লবা লৈবাক অদুগী পোলিসি লোইশিনহনগদবা খোঙথাং খরা লৌখৎনবা মহাক্না থৌরাং তৌরি।

জেরুসলেমবু ইজরেলগী কেপিটেল ওইনা অমসুং কুমজা ১৯৬৭ তা সিরিয়াদগী মুনখিবা গোলান হায়টসতসু ইজরেলগী সোভরেন্টি য়ৌহনখিবগী খোঙথাং মহাক্না য়ু এসপু মায় পাক্না শকখঙহনবা ঙমখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নটনয়াহুনা ৱেষ্ট বেঙ্কপুসু কন্ট্রোল তৌনবগী থৌরাংশিং লৌখৎলকখিবনি। হন্দক চয়োল খরা অসিদা নটনয়াহুনা অরাব লৈবাকশিংদগী ইজরেলনা মমাঙদা মুনখিবা লমশিংগী মতাংদা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা মশা ঙাকথোকচনবা শোক্লখিবা লান্দা লৌখিবা লমশিং হন্দোক্লিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

থাংজ নুমিত্তা ইজরেলগী চেন্নেল ১২কী ইনটরভিয়ু অমদা নেটনয়াহুদা সেট্টুলমেন্টশিংগা মরী লৈনবা সোভরেন্টিগী মতাংদা ইজরেলগী রাইট-ৱিংগী অয়াবগা লোয়ননা করিগুম্বা মহাক্না রাইট-ৱিং লৈঙাক অমা চহী মরি চুপ্পা লুচিংলক্লগা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুকশিংদা ইজরেলি সোভরেন্টি য়ৌহন্দ্রিবনো হায়না হংখি। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না পান্দম অদু ফংনবা চঙশিল্লক্লি। ৱাফম অসিগা লোয়ননা অতৈ কয়াসু খন্নরি অদুনা মথংগী টর্ম অসি য়াম্না মরু ওইগনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না য়ানরবা ৱাফমনি হায়না ইন্টরভিয়ু অদুদা নেটনয়াহুনা হায়খি। নেটনয়াহুনা মহাক্কী পার্টি লিকুটনা মীখলদা হান্নগী আর্মি চীফ ওফ ষ্টাফনা লুচিংবা কোলিসন অমগা কন্না মুক্নরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী রাইট-ৱিং বেজ চেৎশিনহন্নবা কন্না হোৎনরক্লি। হন্দক্তা উখিবা ওপনিয়ন পোলশিংগী রিজল্টশিং হান্নগী আর্মি চীফ ওফ ষ্টাফ বিনি গান্টজনা নেটনয়াহুদগী হেন্না মীয়াম্না য়াই হায়বসি উৎখ্রে। রাইট-ৱিং পার্টিশিং প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা অমুকসু অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্বা য়াবগী মওংদা ফিভম ফনা লৈ। তৌইগুম্বসুং হন্দক্কী মীখল অসি য়াম্না নক্না লম্বা তৌনবা অমা ওইগদৌরি হায়না থাজনরি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা হায়খি মদুদি, লাক্লিবা ইজরেলগী মীখল অসিদা অফবা মীওই অনীনা লম্বা তৌনগদৌরি। অদুনা ইজরেলগী মীখল অসি মান্নবা মীওই অনীগী মরক্তা চথবা অকনবা লম্বা ওইগদৌরি।

পনবা য়াবদি ইজরেলনা মিলিটরি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা হান্নদগী হৌনা ৱেষ্ট বেঙ্ক কন্ট্রোল তৌদুনা লাকখিবগা লোয়ননা মী কুংনা তাবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী মফম খরদা পেলিষ্টিনিয়নশিংদা ওটোনোমি খরদি পীদুনা লাকখি।

# সাউদি ওথোরিটিশিংনা য়ু এস সিটিজন অনী য়াওনা নুপীগী রাইটস এক্তিভিষ্টশিংগা শম্নবা কয়া ফাগৎখ্রে



রিয়াধ, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): নুপীগী রাইটস এক্তিভিষ্ট-শিংগা শম্নরম্বগীদমক্তা সাউদি অরাবিয়াদা য়ু এস-সাউদি অনীমক্কী সিটিজনশিপ পায়বা মীওই অনী য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউদি ওথোরিটিশিংনা ফারবা মীওই ৭ অদু ফ্রন্টলাইন এক্তিভিষ্টশিং নত্তে, তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুদা রিফোর্ম পুরকপগী মতাংদা খন্ননৈনখিবা ইন্টলেকচ্যুএলশিং অমসুং অইবশিংনি হায়না ওথোরিটিশিংগী খোঙথাং অদুগী মরমদা খঙবা মীওই অহুম পল্লদুনা ৱাশিংটন পোষ্টনা ফোঙদোকখ্রে।

লন্দনদা বেজ তৌবা সাউদি রাইটস গ্রুপ এ এল ক্যু এস টিনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইশিং অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারিদগী হৌনা লৈবাক অদুদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমদুনা লাকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি মীওই ৭ ফারিবদু লৈবাক অদুগী ক্রাউন প্রিন্স মোহমদ বিন সলমাননা কুমজা ২০১৭গী সেপ্তেম্বরদগী হৌদুনা এক্তিভিষ্টশিং, দিসিদেন্টশিং অমসুং মশক নাইবা মীওই কয়া ফাবগী কেম্প্যেন অমা কন্না চথরখিবগী শরুক অমনি হায়না লৌনৈ। কেম্প্যেন অদুদা মীওই চা কয়া ফাদুনা লৈবাক অদুগী জেলদা থমখ্রবনি।

মীওইশিং অদুবু ফাবগী মরমদা খরা খঙবা মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা মীওইশিংগী মতুং ইন্না হন্দক্কী ওইনা সাউদি ওথোরিটিশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা মী মশিং খ্বাইদগী হেন্না ফাখি। ফারবশিং অদুগী মনুংদা য়ু এস-সাউদি অনীমক্কী সিটিজনশিপ পায়বা সলাহ অল-হাইদর য়াওরি। মহাক শক্নাইরবা ফেমিনিষ্ট অজিজা অল-য়ৌশেফকী মচানুপানি হায়রি। নুপীগী রাইটসশিংগা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা য়ানিংদবা থবক থৌরম কয়া চথবগী মরালদা ফাখিবা য়ৌশেফ ট্রাইয়েল চথরগনি হায়রি।

# য়ু এসনা প্রেসর পীরবসু ইরান অমসুং ইরাকনা মরী ফগৎহন্নবা লেপ্পখ্রে

টেহরান, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রৌহানি অমসুং ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল-মাহদিনা থাংজ নুমিত্তা টেহরানদা লৈবাক অনীগী শেল-থুম অমসুং পোলিটিকেলগী মরীশিং হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱারেপ লৌমিন্নখ্রে।

য়ু এসকী মায়কৈদগী বাঘদাদতা টেহরানগা মরী তৎননবা অকনবা প্রেসর পীবা লৈন-লৈনা ইরাক্না ইরানগা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী ৱারেপ লৌখিবনি। ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দুল-মহাদিনা য়ুমলোন্নবা ইরানদা থাংজ নুমিত্তগী নুমিৎ নিনিগী ওইবা ওফিসল খোঙচৎ অমা চৎখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অদু হৌখিবা ওক্তোবরদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী ইরানদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। পুন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা পিছ কনফরেন্স অমদা ইরানগী প্রসিদেন্ট রৌহানিনা হায়খি মদুদি, ঐখোয়গী তুংগী থৌরাংদি লৈবাক অনীগী মরক্তা চথরিবা লল্লোন-ইতিক অসি দোলর বিলিয়ন ২০ গী টার্গেট য়ৌহনবনি। মসি থা খরগী মনুংদা শোয়দনা য়ৌহনবা ঙমগনি হায়বগী ঐখোয়দা থাজবা লৈ। মখোয়না খন্নখিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা টোপিকশিংগী মনুংদা অমদি মহাক্না হৌখিবা মার্চ থাখায়দা ইরাক্তা চৎখিবা খোঙচৎতা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট খুদিংমক থবক্তা ওন্থোকপগী থবক থুজিহনবনি হায়না ইরিনিয়নর প্রসিদেন্টনা মখা তাখি।

# পি এম মে মফম লৌথোকপা য়াই হায়না কিহনখ্রে : রেবেল এমপিশিং

লন্দন, এপ্রিল ০৭(এজেন্সি): করিগুম্বা য়ু কেবু মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপিয়ন ইলেক্সনদা নমদুনা শরুক য়াহল্লবদি অমসুং লৈবাক অসিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর ওইবগী মতম জুনদগী হেন্দোকহনবা তারবদি বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মে চয়োল খরখক্কী মনুংদা মফম লৌথোক্লবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না মহাক্কী রেবেল কেবিনেট এম পিশিংনা মে মশামক্তা চেকশিন ৱা হায়খ্রে হায়রি।

রুল্লিং কঞ্জার্ভেটিপ পার্টিগী এম পিশিং অদু বৃটিশ ভোটরশিংবু ব্রেক্সিট রেফরেন্দম পাঙথোকখিবা চহী অহুমগী মতুংসিদা নমদুনা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বরশিং খন্নবগী মীফমদা শরুক য়াহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা খোইরাং খোইশাওনবা হেনগৎলবনি হায়না থাজনরি। প্রাইম মিনিষ্টরনা থাংজ নুমিত্তা ইকোন কোনবা ওইনা এম পিশিংদা দিল অমা শৌগৎনবা চেৎনা আপিল তৌখিবা মতুংদা রেবেল এমপিশিংনা ৱার্নিং পীখিবনি।

SPOKEN ENGLISH & COMPUTER
Free 1 month computer course with one English course
Enroll Now!
Grammar, Pronunciation
100% English Fluency Guaranteed
Audio and visual classes
Special care for weak students
Group discussion
Public Speaking
Special classes for classes X, XI, XII appeared students and others
Centre 1: Waheng Leikai, near Bheigo Hotel, Imphal, Sir Tejkumar, (Global) teaching since 1987, #6909651741, 9089825142
Centre 2: Keishampat Leimajam Leikai, near community hall. Miss Alice, M.A. English, Panjab University (Lexica), #9089685408
Avail Computer courses at affordable fees
DCA, DTP Multimedia, CCA, Tally etc.
Vocabulary Personality Development
Any student can join our free Sunday Spoken English & Motivational class
Class timings: 5:00 am, 6:10 am, 7:30 am, 10:00 am, 11:30 am, 1:30 pm, 4:00pm
HL-B/5287/16/3-23/

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CLASS-XI & XII FOUNDATION COURSE 2019
Special concessions for COMET School students for foundation Course.
FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Airport Road Imphal
HL-B/5319/4,6,8,10,12